# তুংলমচৎকীদমক চাওখৎ খোঙথাং -২

**- চিংশুবম শ্যামজাই -**

ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা অপিকপা ষ্টেটশিংগী মনুং চল্লিবা ইরমদম মণিপুর অসিসু মপান্থোংদা য়েংবদদি অৱাৎ-অপা লৈতবা মফম অমনি হায়না উবীরম্বা য়াই অদুবু মনুং হঞ্জিন্না য়েংলুরগদি অৱাৎপতনা থল্লবা লমদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মায়কৈ কয়াদা য়েংলুবদা চাওখৎপা মাঞ্জরবসু মপূম ওইনা য়েংলুরগদি লায়রবা অমদি শুফম নোম্ফম লৈতবা মীওইনা মশীং য়াম্না লৈবা লমদম অমনি হায়জনীংই। শেল থুমগী অৱাবা পোৎলুম পুরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াম্না লৈরিবা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনসু অদুক্কী মতিক ফীভম শোক্তুনা লৈরি। মরম অদুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন হেনগৎপা অমদি মীপূম খুদিংমক্কী শেন্থোক লন্মী ফগৎহন্নবা পোরম কয়া য়াৎপগী তঙাইফদবা লৈ। হীরমসিগী মতাংদা অইবনা পামজরিবা ৱাফমদি অহানবদা ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগীদমক তঙাইফদনা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা মথৌ তাই। মপান লমগী লমকোয়বা মশীং হেনগৎনবগীদমক মহৌশাগী থোইদোক হেন্দোক্না নীংথিজরবা মফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা শেমগৎ শাগৎপা তঙাইফদে। শেমগৎলবা মফমশিং অদুদা মতিক চাবা পোত্থাফম অমদি য়ারেকফম শেম শাবীবা, লমকোয়বশিংনা অকি-অখং লৈতননবগীদমক মতিক চাবা সিক্যুরিটি থম্বনচিংবা হোৎনবা য়াম্না কান্নগনি খল্লি।

মথংদা লমদম অসি গ্রিন রেভল্যুসনগী পান্দমদা অহাঙবা মফম খুদিং চান্না চুনবা পাম্বী, মনা-মশিং অমদি হৈ-রা থাদুনা শেন্থোক লন্মীগী কায়াৎ কয়া য়াৎপদা কান্নগনি। মফম চাবদা মতম-মতমগী মনা-মশিংনচিংবা লিদুনা থম্বা য়াননবগীদমক কোল্ড ষ্টোরেজ থম্বা তাই। ইরমদমগা চান্নবা অমদি চুনবা পোত্থোক কয়া পুথোক্নবগীদমক মখল মখা কয়াগী ইন্দষ্ট্রি হাংদুনা শিন্মী কয়াবু থবক পীবদা নত্তনা পোত্থোক কয়া পুথোক্নবদি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং য়াম্না পাংগনি। লমদমসিদা মমাঙ৖েদগী লৈরক্লবা ঙা মখলশিং য়োকপগী থবক পায়খৎপা, য়েন-ঙানু অমদি মখল কয়াগী শা-ষণনচিংবা ফার্ম তৌদুনা শেন্থোক লন্মী হেনগৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

ইরমদমদা শাজবা পোৎলমশিং য়োকখৎনবগীদমক মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নবা লেপ্পীবা মতম য়ৌরে। মসিনা ইরমদমদা শাজবা পোৎলম কয়াবু শীজিন্নবা অমদি পোৎলমশিং অদুবু শাজরিবা মীওই কয়াবুসু য়োকখৎপা অমা চঙই। মসিনা ষ্টেটসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি খঞ্জে। হৌজিক শেল-থুমগী অৱাবা পোৎলুম কয়া মায়োক্নরিবা মীপূম খুদিংনা অৱাবা অসিদগী হন্থহন্নবা অমদি নান্থোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা লন্মীদি চাদিং হন্থহনবা অমদি শেন্থোক লন্মী হেনগৎহনবা হায়বসিনি। চাদিং হন্থহন্নবগীদমক থৌদোক ৱাথোক অমদি লাইনীংগা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া অসি পীকশিনবা মথৌ তাই।

মীপূম কয়ানা চাদিং য়াম্না তৌনরিবা অনা-লায়েংবা অসিদগী কোক্নবগীদমক চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, মচি ওইবা চিঞ্জাক মতিক চানা চাবা অমদি মখল মখা কয়াগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপথোকপা তাই। লোয়ননা অকে-অমৌদা শেল য়াম্না চৎহনবীগনু। মদুগী মহুত্তা অৱাংবা ৱাখল খন্দুনা চন্না হিংবা তম্বা তাই। য়ূমথোঙ খুদিংগী শেন্থোক লন্মী হেনগৎহন্নবগীদমক হোম বেজ ইন্দষ্ট্রি কয়া লিংখৎতুনা অঙম অঙম্বা থাক্তা শেন্থোক লন্মী থিবা তাই। থবক শুবগী হৈনবী শেন্বা অমদি মতম মাঙহন্দবনা মীপান তাংদনা ঈংনা চিক্না হিংননবগী অমত্তা ঙাইরবা লন্মীনি। লোন শিংবগী হৈনবী থল্লবদি বেঙ্কনা মতম মতমগী লোন শোয়দনা পীবিদুনা হেন্না ৱাংবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূন্নমক্না ইশানা ইশাবু থবক পীশি অমদি ইশা ইশাগী শেন্থোক লন্মী হেনগৎহনসি। মদুতনা মীথোই মীহেনবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি। লোয়ননা পান্দম অসি ফংননবগীদমক ঐখোয় পূন্না থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

# মীতৈ, মৈতৈ হায়নবনচিংবা

**- মোইরাংথেম তুনান -**

মীতৈ হায়গদৌবনি হায়বা কাঙবুগা মৈতৈ হায়গদৌবনি হায়বা কাঙবুগা য়েৎনদুনা লাক্লি। 'করম্বনা চুম্বগে?' হংনরিবা ৱাহংনি। ৱাহং অসি সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিনা মীতৈ/মৈতৈ হায়না পাউচেদা তোয়না ফোঙদোকপদগী হেন্না হংনরক্লি। হংনীংঙাইসু ওই।

মতম অমদা ওজা মুখর্জিনা হংবীখি - "Which one is correct - is it nipan or nipal, mapan or mapal?" মহৈরোয় অমত্তনা পাউখুম পীবা ঙমখিদে। হৌজিক্তি ৱাহংসিগী পাউখুম অসুম্না খুমজনীংঙি - "Both are used nipan and nipal are original words" নিপান হায়নসু শীজিন্নৈ, নিপাল হায়নসু শীজিন্নৈ। অদুম হায়না মাপন-মাপল অনীমক শীজিন্নৈ। নিপান অমসুং মাপন হায়বা ৱাহৈ অনীনা মহৌশাগী হৌরকপা ৱাহৈ ওইগনি খঞ্জে। লাই হরাওবগী ঈশৈদা - নিংথৌরেনগী শগোনদি মমৈ গে গে লাওবনি।" অসুম্না শকনৈ। ইপু থোংলেন হায়না হায়নৈ। লাইনিংহন নাওরিয়া ফুলোনা লেংবীরম্বা লাইরিক অহন য়াথং অদুদা অহন হায়না হায়, অহল হায়দে। তুরেন লাইজ পাথগনি হায়, তুরেল হায়দে। হান্নদগী হৈনরকপনা ইংলিস ৱাহৈ নেসনল হায়বদু নেসনেল হায়না হায়নবসু য়াওই। মতৌ অসুম্না মীতৈ হায়বা ৱাহৈদগী মৈতৈ হায়না থৈথরকপা ওইগনি খঞ্জে।

মমাঙ৖েদা তম্নরম্বা ওজা মকরনা লেংবীরম্বা মপি লাইরিক অদুগী মমিং মীতৈরোনগী তম্নবা অহানবা মপি লাইরিক কৌই। থোমাস কেলেন হোদসননা লেংবীরম্বা The Meitheis কৌবা লাইরিক্তসু Mei হায়বদি Man theis হায়বনা seperate হায়না পল্লি। মখোয়গী খোন্থোক্তা ei ময়েক অনীসিগী অপূনবদুনা ৈ (ঐকার) ওইদে। Protein হায়বা ৱাহৈসি প্রোতৈন হায়দে, neibour নৈবর হায়দে। ei ময়েক অনীসিনা পুল্লগা ঐকারগী খোন্থোক থোকপা ইংলিস ৱাহৈ থেংনজদে। Mei হায়বসি মখোয়না শাংনা চিংঙগা মীই হায়না হায়বমাল্লে। Mei হায়বদি Man হায়না হন্দোক্তুনা তাক্লম্মীবা অসিনসু লারবা খুদম ওইরে।

মমাঙ৖েদা ঐখোয়গী লৈপাকসি মীতৈ লৈবাক হায়না কৌনরম্মী, মৈতৈ লৈবাক হায়নসু কৌনরম্মী। য়াহৌ থেংবা মচা মশুদা - 'মীত্রৈবাক পূম্বা হৌগৎনখ্রে হৌগৎলো থেংঙে।" অসুম্না হায়দুনা হৌদোক্নরম্মী।' মৈত্রবাক পূম্বা হায়না হায়নবসু য়াওরম্মী।

মীতৈ লৈবাক অসি তেংবানবগী পীক্লবা শক্তমনি (Miniature replica of the universe) হায়না শিংথানরি। মীতৈলৈবাকপু হৌনবুংনি অমসুং লান্নবুংনি হায়নসু হায়নরি, ফজ থোইবা মালেমনি হায়নসু হায়নরি। কৌব্রু চীংনা লেম্ফুনি, কংলানা খোইদৌনি, লোক্তাকনা শনথোঙনি হায়না হকচাং কয়াৎকা চাংদম্নদুনসু তাক্লি। তুরেন অচৌবা (ইম্ফাল তুরেন) না ময়ায়দা, ইরিন তুরেননা ওইদা, নম্বুন তুরেননা য়েৎতা চেল্লক্লগা ইথাইদা পুল্লরি। মীওইবগী য়াংলেনলোমদা খাখোং, লাইখোং অমসুং মরোংখোং কৌবা শিংলী অহুম্না চেল্লক্লগা য়াংলেন মখাদা পুল্লরি হায়না লাইনিংবশিংনা তাকপীরি। অদুনা মীতৈলৈবাক নত্তনা মীওইবসু তেংবানবগী পীক্লবা শক্তমনি হায়না হায়নরি।

ইন্দিয়াবু মখোয়না 'হে বিশ্ব ভারতী' হায়না শৈথানরি। গঙ্গা, যমুনা অমসুং স্বরস্বতি তুরেন অহুম্না লেম্ফুগী মশক ওইরিবা হিমালয়দগী চেন্থরক্লগা ত্রিবেনী সঙ্গম (এলাহাবাদ) দা ইতিন্নরি। তুরেন অহুম অসিবু লাইনীংবশিংনা ইঙ্গলা, পিঙ্গলা অমসুং সুসুম্না হায়বা হকচাংগী শিংলী অহুমগা পাংখক ওইনা লৌই। অদুনা ইন্দিয়াবু তেংবানবা (বিশ্ব, য়ুনিভর্স) গী পীক্লবা শকলোননি হায়না শিংথানরি। মীতৈ লৈবাক অমসুং ইন্দিয়াগী ফজখ্রবা মওংসি ইমান মান্নৈ (পেরেল্লেল ওই)। পঞ্জনীংবা অমগা শোরারেনগী য়াথংনা সনামহীনা শোরারেনগী মমি য়েংদুনা তাইবঙ মী শেমখি হায়। গ্রীক মিথোলোজিদনা জুপিটরগী য়াথংনা প্রোমিথিউসনা লাইশিংগী শক্তম য়েংদুনা মী শেমখি হায়। মীহৌরোনগী ৱারী অনীসিসু ইমান মান্নৈ।

অমরোমদা অমুক মীতৈ কৌবা কাঙলূপ অসিগী লাইনীং-লিচৎ, নাৎ-পু, চৎন-লোনচৎতা, শক্তম, য়ূমলৈ-কৈরৈনচিংবশিং অসি অতৈ কাঙলূপকীগা খেন্নৈ হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ৱানি। খুদম ওইনা মীতৈ য়ুমজাউ হায়বসি। অসিগুম্বা য়ূম অসি অতৈগীদা লৈতে হায়। মীতৈ য়ূমজাউদি মীওইবগী হকচাং কয়াৎকী মওং লৌদুনা শাবনি হায়। কা মাপনগী য়ূমনি। থোঙলোন তরুক (ষট চক্র) তাক্লিবা য়ূমনি হায়নৈ।


মীতৈগী জগোয়, ঈশৈ অতৈগীদগী পুমতোপ তোপ্পী। চৎন কোইনা নোইনা (কেনা নোইনা) শাববু জগোয় কৌই হায়। খূৎথেক শাথেক অতৈগীদগী তোঙাল্লি, মান্নদে। মীতৈগী জগোয়দি মরু ওইনা খূৎ অদুদা য়েংদুনা পূক্লিং লূপ্পা শাগদৌবনি, মিৎ চোইথোকপা শুকয়া য়াদে। লাইনীং (সাধনা) মখল অমমমনি হায়নৈ। ঈশৈগী হায়রবসু লাই হরাউবদা শক্লিবা ঈশৈদি লাইরমলেন (আধ্যাত্মিক, স্পিরিচ্যুএল) গা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। শৈশকসু অতৈগীগা মান্নদে। খুলং ঈশৈদি তরেৎশুবা খোন্থাং (সপ্তম সুর) দা হাইগৎ হাইথ চিংঙগা শকপা ঈশৈনি। পীথাদোই কৌবা চেক্লাগী খোঞ্জেলদগী লৌবনি হায়নৈ। মীতৈগীদি য়ূম্নাকনা মাঙ থারগা মিংনা মনীং থংঙি। মসি পাথাং পুথাং য়ৈনা চৎনরকই। হীরম কয়ামরুমদা তোপ তোপ্পনা মরম ওইদুনা থোমাস হাডসননসু মী + অতৈ = মীতৈনি হায়বা ওইগনি হায়না খঞ্জে।

অমুকসু - "লাইগী হকথেঙ চাদাদো অতোপ্পনি খঙগনি তোপখরবা মীওইবু মীতৈ হায়না হায়গনি।"

অসুম হায়না শকোক থিরেন কৌবা পুয়াদা য়াওরি। মসিদা তাক্লিবসি মীওইবগী মনুংদা মতিক ময়াই অচৌবা, ময়ায় অহেনবা, মঙম অশানবা, লাইনিং পরৈ চেৎনা নীংদুনা মঙান ফংবীরবা থোইদোক হেন্দোক্লবা মীওই অদু মীতৈনি হায়বা ওইগনি। বুদ্ধদেব, মহাবীর জৈন, গুরুনানক, জিষু খৃষ্ট, হজরত মহম্মদ, কবিরসাহব, কনফিউসাস, ত্রিলঙ্গ স্বামি, বাবা লোকনাথ, রামকৃষ্ণ পরমহংস দেব, ইবুধৌ খোংনাংথাবা, স্বামি বিবেকানন্দ, চৈতন্য দেব, অচুত্যানন্দ স্বরস্বতী, যোগেন্দ্রানন্দ গীরি, সাইবাবা, লাইনিংহন ফুলোনচিংবা চুম্নগী মীদগী তোপখ্রবা লাইপোকশিং অসি মীতৈ হায়বদুগী খুদম ওইগনি। মখোয়দি মপু ইবুঙোগী শায়োন (অবতার, incarnation) নি হায়নৈ। অদুনা মখোয়সি লাইগী হকথেং চাদা তোপ তোপ্পা মীতৈ হায়বদু ওইগনি।

য়াম্না মরু ওইবা অতৈগীদগী তোপ তোপ্পী হায়বা তারগদি মোইরাং কংলৈরোন অসিসু অমনি হায়জনিংঙি। মালেম অসিদা রামায়ন, মহাভারত, গ্রীক মিথোলোজিগুম্বা কংলৈরোন (মহাকাব্য, ইপিক) অসি ইরৈ লৈতে। মীশিং য়ামজখিদ্রবা ঐখোয়গী মোইরাং কংলৈরোন লৈজরম্বা অসি ওন্থোক্না নুংঙাইজখ্রে। অদুগা মসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফিদম্নফম (The most ideal epic) ওইবা কংলৈরোননি হায়না লৌজনিংঙি। মদুগী মরম কয়ামরুম লৈ। মরম অমখক্তং পঞ্জগে। রামায়ন্দ - রাবণ শিহন্দবা য়াদে। রাম মখূৎমক্না রাবণ হাৎলি। মহাভারততা - কৌরব তুমহন্দবা য়াদে। ভিমনা দুর্য্যধোন হাৎলি। অর্জুন মখূৎমক্না কর্ণ, মপুবোক ভীস্ম, গুরু দ্রৌনাচার্য্যনচিংবা মীওই কয়া হাৎলি। হাৎপা হায়বসিদি খ্বাইদগী তমথীবা (হিংসা, ভাইওলেন্স) গী থৌওংনি হায়না লৌনৈ। মোইরাং কংলৈরোনদা - নোংবান শিহন্দবা য়াদে। খম্বা মখূৎমক্না নোংবান হাৎতে। কৈনা চিক্লগা শিহল্লি। তমথীবগী শরুক অমত্তা য়াওদে। অদুনা মোইরাং কংলৈরোন অসি অতৈদগী পুমতোপ তোপ্পী।

হৌজিক মীতৈ হায়বগা মৈতৈ হায়বগা করম্বনা চুম্বগে হায়বা ৱাহংগী পাউখুম পীজবা তারবদি অসুম্না খুমজনীংঙি - 'অনীমক শীজিন্নৈ। মীতৈ হায়বা ৱাহৈসিনা মহৌশাগী হৌরকপা (ওরিজিনেল) ৱাহৈনি হায়না লৌজনীংঙি। মীতৈ হায়বা ৱাহৈসি মৈতৈ হায়না ইনবসু য়াওরম্মী। অদুগা কনা-কনাগুম্বনা মইতৈ হায়না ইনরম্মী। মৈতৈ হায়বসি মীতৈ হায়বদগী থৈথরকপা ওইগনি হায়না খঞ্জে।' Manipur gazette, the 24th April, 1980, No. 1/2/78-SS/E. দদি মৈতৈগী মহুত্তা মীতৈ হায়না পাবিয়ু হায়। Gazette অদুগী জেরোক্স কোপি মখাদা উৎচরি। ●


Manipur Gazette

EXTRAORDINARY
PUBLISHED BY AUTHORITY

No. 40 Imphal, Friday, April 25, 1980 (Vaisakha 5, 1902)

GOVERNMENT OF MANIPUR
SECRETARIAT: EDUCATION DEPARTMENT
CORRIGENDUM
Imphal, the 24th April, 1980

No. 1/2/78-SS/E.—Please read "MEETEI" for "MEITEI" occurring in Government Orders of even number dated 16th April, 1980.

By order and in the name of the Governor,
J. K. SANGLURA,
Secretary (Education) to the Government of Manipur.

## ষ্টেটকী পাউ

# কোলকটা পান্থোইবীগী ইম্পোরিয়মগীদমক্তা ইয়োংগী পোত্থোকশিং থাবা হৌখ্রে



ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): কোলকটাদা লৈবা পান্থোইবী ইম্পোরিয়মদা য়োন্ননবা ইয়োং ফী দিমান্দ তৌরকপগী মতুং ইন্না মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটস দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চ্যেরমেন শগোলশেম অচৌবনা লমদম অসিদা থোকপা ইয়োংগী পোত্থোকশিং থাননবগী থবক পায়খৎলকপা ওইনা ঙসি লমথাবা হৌখ্রে।

পাওনা কৈথেলদা লৈবা কোর্পোরেসন অসিদগী লমথাবগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চ্যেরমেন এস অচৌবনা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অসিগী ইয়োং ফিশিং কোলকটাদা য়াম্না দিমান্দ তৌরকপগী মতুং ইন্না লুপা লাখ ৮.৫০গী মমল ওইগদবা ইয়োং ফিশিং থাবনি। ঙসি থাবা হৌরিবা ফিশিং অসি ইয়োং ফিশিং হায়বদি শাড়িফুল, সলৱার, ৱাংখৈ ফি, শাফি-লানফিনচিংবশিংনি।

ইয়োং ফি য়োকখৎনবা অমদি ফিশাবিশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা ঈ কেটলোগ ফোঙদুনা হোৎনদুনসু লাকখি। মমাঙদসু হেন্দিক্রাফটসকী ওইবা পোত্থোকশিং দিমান্দ তৌরকপদগী পোৎলম কয়া থাখিবসু লৈখ্রে। ইরমদমগী ইয়োংগী ফিশিং অসি ঐখোয় পূন্নমক্নসু য়োকখৎমিন্নদুনা লমদম অসিগী ফিশাবীশিংগী শেন্মীৎলোৎ ফগৎলকপদা অচৌবা মতেং ওইনবা হায়দুনা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসিসু পায়খৎলকপনি। মণিপুরগী ফিশাবীশিংনা লমদম অসিদা শাজরিবা ফিশিং অসি ঐখোয়নসু লৈবগী হৈনবী থম্বা তঙায় ফদে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফটস কোর্পোরেসনগী মেনেজিং দিরেক্টর ঈ জিতেননা হায়, মণিপুরদা ইয়োংগী ফিশিং য়োনবদা নত্তনা ফিশাবীশিংগী খূৎ হাংদনা থবক তৌবা ঙম্নবগী পান্দমদা চঙশিনবা খোঙজং অমনি। মপান্দগী থাজিল্লক্লিবা ফিশিং ঐখোয়গী মতৌ তমদুনা য়োন্নরক্লবদি ঐখোয় হিংবা ঙল্লোই। মসিদি ট্রেদকী পোলিসিনি। অসিগুম্বা থবক অসিদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থিংগদবনি। হৌজিক মার্কেটতা অচৌবা কম্পটিসন অমা লাক্লি। মরম অদুনা ঐখোয়নসু মপান্দগী লাকপা পোৎলমশিং থিংবা ঙমদে হায়খি।

# শেল লৌথোক্লগা স্কুল শারমদবা অমদি লোইশিল্লমদবা থেংনরে

ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): শেল লৌথোক্লগা স্কুল শারমদবা অমসুং শাবা লোইশিন্দনা লৈরম্বা কয়া এমসুনা য়েংশিনবদা থেংনরে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি জেনরেল বিক্রমজিৎ থোঙামনা ফোঙদোকখ্রে।

দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা এমসুগী ময়ায় লোয়শঙদা পাউমীশিংগা উনখিবদা বিক্রমজিৎনা মখা তানা হায়, এস এস এ ২০১২-১৩গী মখাদা জেদ ঈ ও জোন-থ্রী হৈরোক্তা লৈবা ইঙালোক মচা প্রাইমারি স্কুলদা লুপা ৩২,৮৪,০০০গী মনুংদা লুপা ২,৪৩,৮৩৭ কায়থোকখ্রে। হৌজিক লেমহৌরিবা অসিনা লুপা ৮,৫৩,১৬৩ লৈহৌরি। কায়থোকখিবা শেনফম অসিনা স্কুল অদুগী নাকলদা শাগৎকদবনি। অদুগা স্কুল অমনা মৈতৈ তম্পাক প্রাইমারি স্কুলগী নাকলদা শারক্কদবা স্কুল অসিগীনা লুপা ৩২,৮৪,০০০নি। মসিগী মনুংদা ১৮,৬৮,৮৪৬ কায়থোকখ্রে। লেমহৌরিবা অসিনা ১৭,১৫,১৫৪নি।

অহুমশুবা অসিনা ইঙালোক অচৌবা প্রাইমারি স্কুলগীনি। মসিনা কা অনী শাননবগীদমক্তা লুপা ৮,০০,০০০ নি। মসিগী মনুংদা লুপা ৬,০০,০০০ কায়থোকখ্রে। এমসুনা লিশাং শীৎনা চত্থরকপা কেম্পেন ফোর টোটেল এদ্যুকেসন হায়বসিগী মীৎয়েং মখাদা স্কুলশিং য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা হায়রিবা হৈরোক্তা লৈরিবা স্কুল অহুম অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি থেংনরকখিবনি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা লান্না শেল লৌথোক্লিবশিংদা চৈরাকপীবিয়ু হায়খি।

# দিনেস উপাধ্যায়না ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট লময়ানবা ইপুগী য়ূমদা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ১৬ (ঐচএনএস): ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা লময়ানবা ইপু (খুমন্থেম লখিকুমার) গী তোপ অৱাং লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা বি জে পি মেদিকেল সেলগী কনভেনর ডা. দিনেস উপাধ্যায় লাক্তুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা লময়ানবা ইপুনা হায়, ঙসি ডা. দিনেস উপাধ্যায় লাক্লিবা অসি ঐঙোন্দা হান্না পাউ পীরকখিবদি নত্তে অদুবু তহা তহানা শীঞ্জনবা অমদি মহাক্না লাকপীবা অসিগীদমক্তদি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি ফাওই। খূদক্কী ওইনা ঙসি অয়ূক ফোন তৌরকপদগী মীফম অসি শীন্দুনা পাঙথোকপনি।

ইন্দিয়াদা বি জে পিগী পোলিটিকেল পার্টি অসি য়াম্না চাওবা পার্টি অমা ওই। অদুবু ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সীগী ওইনদি বি জে পিগী সিট্টিং এম এল এ লৈবা মফম অমনি। মহাকপু উনদনা ঐগী নাক্তা লাকপীরিবা অসি এ সী অসিগীদমক পায়খৎচরিবা থবকশিং অসি খঙবী-উবীদুনা লাকপীবনি হায়না লৌজে। ঐহাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংলগা বি জে পিগী টিকেট পীরক্কনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ঐহাক লৈজরি। মরম অদুনা সেন্টরদগী লাক্লিবা মীওইশিংনসু বি জে পিগী টিকেট ঐঙোন্দা পীনবা সেন্টরগী লুচিংবশিংদা হায়গনি হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফমসু লৈখ্রে। বি জে পিগী টিকেট ফংনবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নসি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা বি জে পিগী মেদিকেল সেলগী কনভেনর ডা. দিনেস উপাধ্যায়না ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়া হায়বা ঐখোয়গী লৈবাক অসি কলচরদা য়ূম্ফম ওইরগা থবক তৌদুনা ঙসিসু অদুমক লাক্লি। এম এল এ অমা হায়বসি মীয়ামগীনি। এম এল এখক নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টর ফাওবা অচৌমচা খায়দনা লৈবাক্কীদমক থৌগাই তৌদুনা লাক্লি।

এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা লৈবাক মীয়ামগীদমক থবক তৌরি হায়বসিসু মীয়াম্না কাওরোইদবনি। মীয়মাগী থৌগল তৌবা হায়বসি অনা-লায়েংদা, মহৈ তম্বদা অমদি মখল কয়াদা পূকচেল শেংনা হোৎনবা চঙই হায়খি।

/ COOK অমা পামজৈ

অথুবদা Hostel গী Cook অমা পামজৈ। Family ওইরবসু লৈফম চাফম পীজগনি।

HL-P/0640/17&19 Contact: 7005384073 / 8787689657

/ ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

D.M. College Main Road ময়াদা য়ূম য়াওবা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। অথুবগী ওইনা পাম্বীবশিংনা মখাদা পীজরিবা ফোন নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-P/0651/17&19 # 8257870187, # 6009342457

/ ORIGINAL CERTIFICATE CUM MARKSHEET LOST

I have lost my Original Certificate Cum Marksheet of HSLC Examination of 2014 bearing Roll No. 32811 issued by Board of Secondary Education, Manipur on the way from my residence to Lamphel on 10/11/2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Soraisham Yaiphabi Chanu
Sega Road Thouda Bhabok Leikai
HL-P/0649/17

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
No. 3/1/2018-IMC-2 Imphal, the 15th November, 2021

/খঙহঞ্জবা

Notice অসিনা মরম ওইরগা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal Municipal Corporation না পায়খৎচরিবা Pradhan Mantri Awas Yojana - Housing for All (Urban), PMAY-HFA (U) গী অনিশুবা Beneficiary Led Contruction Project কি Final Beneficiary List ফোঙলে। হায়রিবা List অসি IMC গী website www.imc.mn.gov.in অমদি PMAY- Cell, G.M. Hall দগী য়েংবা ফংবীগনি।

খঙহঞ্জরিবা,
K. Chandrakumar Singh
Municipal Commissioner
HL-B/7283/16,17

/ DRIVING LICENCE LOST

I have lost my Original Driving Licence bearing Licence No. MN04 20150010578 issued by DTO Thoubal on the way between Khangabok and Thoubal on 15th November, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Ningthoujam Polendra Singh
Khangabok Maisnam Leikai, P.O & P.S. Thoubal
# 8016599334
HL-P/0657/17

/ SCRIPT কৌজরি

ISTV অমদি IMPACT TV দা শন্দোক্লিবা CINE TV Channel গীদমক Tele-serial অমদি Teleplay গী Script কৌজরি।

থৱায় য়াওবিবা অইবশিংনা December 10, 2021 ফাওবগী মনুংদা নমথোক্লবা Script Copy 2/2 মখাগী Address অসিদা য়ৌহনবীরক্লবা খঙহঞ্জরি। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

Mobile No. :
7005393756
9612166339
8787495561

Sd/- CINE TV
Konung Mamang, Wangkhei Road
Imphal (E)
C/o Kangla Films BLDG
HL-P/0656/17,18

SPECIAL OFFER

M/S N.K.S. BRICK FIELD
NEAR KHONGJOM WAR MEMORIAL GATE
GSTIN NO. 14HFIPS8066E1Z1

| Brick Class | Rate per Brick | No. of Bricks | T/C | L/C | Total Charge |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | Rs. 14.50 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 24,350/-<br>32,200/- |
| 2nd Class | Rs. 13.50 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 22,850/-<br>30,200/- |
| 1st Reject | Rs. 13.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 22,100/-<br>29,200/- |
| 2nd Reject | Rs. 12.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 20,600/-<br>27,200/- |
| 1st Petty | Rs. 12.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 20,600/-<br>24,200/- |
| 2nd Petty | Rs. 10.50 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 18,350/-<br>24,200/- |
| 3rd Class | Rs. 7.00 | 1500<br>2000 | 2000<br>2500 | 600<br>700 | 13,100/-<br>17,200/- |

Contact No.:- 8730097406 / 8118999999
HL-B/7281/15-24/11